# প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা জষ্টিস সরদ এ বোবদেবু মথংগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া ওইনা খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি): প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস সরদ অরবিন্দ বোবদেবু মথংগী চীফ জষ্টিস ওইনা খনখ্রে। নবেম্বর ১৮দগী মহাক্না ফম অসি পায়বা হৌরগনি।

কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ১২দগী হৌনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইদুনা লাকখিবা জষ্টিস সরদ অরবিন্দ বোবদেনা থা ৬ রোম মধ্যা প্রদেশ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুরম্মী। কুমজা ২০০০গী মার্চ ২৯দগী বোম্বে হায় কোর্টতা এদিস্নেল জজ ওইরল্লবা মতুংদা মহাক্না কুমজা ২০০২গী মার্চ ২৮দগী পর্মেনেন্ট জজ ওইনা থৌ পুখিবনি।

নাগপুরগী হায় কোর্ট বেঞ্চ অমদি দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা লো প্রেক্টিস তৌরকখিবা মীওই অসি কুমজা ১৯৫৬কী এপ্রিল ২৪দা পোকখি। কুমজা ১৯৭৮গী সেপ্টেম্বর ১৩দা এদভোকেট অমা ওইনা ইনরোল তৌরবা মতুংদা মহাক্না তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট, হায় কোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্টতা সিভিল, কন্সটিট্যুস্নেল, লেবর, কম্পেনি, ইলেক্সন অমদি টেক্সেসনগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা কয়ারক হন্না কেস লেপ্তুনা লাকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী ষ্টেটমেন্ট মতুং ইন্না জষ্টিস বোবদেনা মপুং ওইনা খুৎলোইরিবা হিরমদি কন্সটিট্যুস্নেল, এদমিনিষ্ট্রেটিব, কম্পেনি, ইনভাইরমেন্টেল, ইলেক্সন লোগা মরী লৈনবা হিরমদনি হায়রি।

নবেম্বর ১৮দগী জষ্টিস রঞ্জন গোগোইগী মহুৎতা মহাক্না ৪৭ শুবা লৈবাক্কী চীফ জষ্টিস ওইনা থৌ পুনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। ওক্টোবর ১৮দা জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসতা থাখিবা চেরোল অমদা জষ্টিস বোবদেবু মথংগী চীফ জষ্টিস ওইহন্নবা রিকমেন্দ তৌখিবনি।

লোগী মতাংদা থোইদোক হেন্দোক্না খঙ হৈরবা জষ্টিস বোবদে য়াওবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা কনাগুম্বা মীওই অমবু আধার য়াওদে হায়বগীদমক লৈঙাক্না পীবা খুদোংচাবশিং ফঙহন্দবা তৌরোইদবনি হায়বা ৱায়েল অমা পীখি। হন্দক্তা লোইশিনখিবা রাম জন্মভুমি-বাবরি মসজিদকী ৱায়েল চত্থনবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেমখিবদা জষ্টিস বোবদেসু য়াওখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমা ওইনা শীংথানিংঙাই ওইবা ৱায়েল কয়া পীখ্রবা জষ্টিস বোবদেনা কুমজা ২০১৭তা নুপী অমবু অঙাং য়ৈথনবগী অয়াবা পীখিদে। কুমজা ২০১৬তা পীখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা ৱায়েল অমদা মহাক্না দিল্লি অমসুং নেসনল কেপিটেল রিজনদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা বোম্ফুলা য়োনবা থিংখিবনি। মশাগী চহী ৬৩ শুরবা জষ্টিস বোবদে কুমজা ১৯৫৫গী এপ্রিল ২৪দা মহারাষ্ট্রগী নাগোরদা পোকখিবনি। মহাক্কী অপোকপা অরবিন্দ বোবদেসু মহারাষ্ট্রগী এদভোকেট জেনরেল ওইরম্মী। ময়াম্বা বিনোদ অরবিন্দ বোবদেনা সুপ্রিম কোর্টকী মশক নাইবা সিনিয়র এদভোকেট অমা ওইরম্মী।

# য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এম পি ২৩না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা কাশ্মিরদা থুংখিবগা লোয়ননা ফিভম য়েংশিনবা হৌখ্রে



স্রিনগর, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকখ্রবা মতুংদা মফম অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এম পি ২৩না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা থুংলখ্রে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মীহুৎ কাংবু অদুনা নুমিৎ নীনি লৈরিঙৈদা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা মপুং ফাবা পাউদম পীগদৌরি।

টিম অদুনা মফম কয়াদা চৎতুনা মীওই কাংলুপ কয়াগসু ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরি। অহানবদা এম পি ২৭না শাবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মহুৎ কাংবু অমা কাশ্মির তম্পাক্তা লাক্নবা থৌরাং তৌরম্বনি। অরোইবা পুংফমদা এম পি মরিনা মশা মশাগী মরমদমদা হনখিবগা লোয়ননা কাশ্মিরদা লাকখিবা টিম অদুদা য়াওরকখিদে।

ওগষ্ট ৫দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখ্রবা মতুংদা মপান লৈবাক্তগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা থুংলখিবা হন্দক্না অহানবনি। ওফিসলশিংনা হায়খি, কাশ্মির তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মফম খরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা মীওই ৪ অশোক অপন নংখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং অদুনা দিল্লিদা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নবা লৈখ্রে। ইন্দিয়াদা থুংলখিবা এম পিশিংবু তরাম্না ওক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মির য়াওনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী টিম অমনা চৎকদৌরিবা য়েংশিন খোঙচৎতা মপুং ফানা মতেং পাঙনবা থৌরাং লৌখৎলে।

জম্মু, কাশ্মির অমসুং লদাখতা থুংলবা মতুংদা রিজন অহুম অসিগী কলচর অমসুং লাইনিং ওইবা মওং মতৌ ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লগনি। লৈঙাক্না হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাং কয়াসু চপ চানা খঙবা ঙম্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও) দগী থাদোরকপা ৱারোল অমনা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী এম পিশিং উনদুনা চাকলেন য়াওবা থৌরম অমা শীনখিবা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ফিভমগা মরী লৈনবা চাওরাকপা ৱাফম অমা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, চয়োল খরগী মমাঙদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সিনেটর অমা কাশ্মিরদা লাকখিবদা ওথোরিটিশিংনা চঙনবগী অয়াবা পীখিদবনি। দিল্লিদগী চৎখিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা লুচিংবা টিম অমসু স্রিনগর এয়রপোর্টতগী হেন্না অতোপ্পা মফমদা চৎনবগী অয়াবা পীখিদে।

# কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি এৱার্দ পীখিবদা প্রসিদেন্টনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি): মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফেয়র্সনা নেসনল কোর্পোরেট সোসল রেস্পেন্সিবিলিটি এৱার্দ পীবা হৌদোকখিবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনল কোর্পোরেট সোসল রেস্পেন্সিবিলিটি এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংখিবদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা ওক্টোবর ২দা চহী খুদিংগী এৱার্দ পীরগনি হায়রিবসি পুক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। লৈঙাক্না কোর্পোরেট সোসল রেস্পেন্সিবিলিটিগা মরী লৈনবা থৌরাং কয়া লৌখৎহন্দুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাঙনবা হোৎনফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাওথোকহনখিবগা লোয়ননা রিছার্স ৱার্ক কয়াসু পায়খৎখি। রিছার্স অমদি দিভলপমেন্ট ৱার্ক য়াওরকপা মরম্না মীওই কয়াদা কান্নবা ফঙহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসি চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা ঙম্লগনি হায়রি।

# কাশ্মিরদা টেররিষ্টশিংনা সি আর পি এফতা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

পুলৱামা, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামাদা ঙসি টেররিষ্টশিংনা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)তা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে।

স্কুল অমদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা পেরা মিলিটরি পর্সেনলশিংদা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা অশোক অপন নংখিদে। দ্রবগামদা লৈবা স্কুল অমদা সি আর পি এফসী পর্সনেল খরা মতৌ পাঙথোক্তুনা লৈরি। ইগজামিনেসন সেন্টর ওইনা শীজিন্নবা মফম অদু সি আর পি এফ অমসুং লোকেল পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা লাকখিবনি। শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ কাপশিল্লমখ্রবা মতুংদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং মফম অদুদা থাজিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এম পি ২৩না শাবা টিম অমনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ফিভম য়েংশিনবা লাকখিবগা মপা চান্নবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। পেরা মিলিটরি পার্সনেলশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা মীওইশিং অদু ফানবগীদমক মফম অদুগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউ লৈত্রি।

# টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী হিট লিষ্টতা ভিরাট কোহলি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদি য়াওরে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি): ওল ইন্দিয়া লাস্কর-ঈ-তোইবা কৌবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী হিট লিষ্টতা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

লিষ্টতা য়াওরিবা অতৈ মীওইশিংদি প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, হোম মিনিষ্টর অমিত সাহ, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিধারমন অমদি অতৈ পোলিটিসিয়ন কয়ামরুমনি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা নৌনা লিংখৎখিবা টেররিষ্ট গ্রুপ অসিনা কাশ্মিরদা লৈখিদ্রবা টেররিষ্টশিংগী লমন খুম্নবগীদমক ইন্দিয়াগী মরু ওইবা লুচিংবা কয়াদা খুৎ থাবা হৌরগনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টি-২০ ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা শান্নবা লাক্লমদাইদা টেররিষ্ট গ্রুপ অসিনা মীওই কয়া হাৎনবগী ৱাফম লাউথোরকখিবনি। নবেম্বর ৩দা ন্যু দিল্লিগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশনা টি-২০ ইন্টর্নেসনল মেচ অমা শান্ননবা থৌরাং তৌরিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ফঙখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না কাশ্মিরি মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্পগীদমক ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিবুসু টেররিষ্ট গ্রুপ অসিনা হাৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওল ইন্দিয়া লাস্কর-ঈ-তোইবানা এন আই এদা অইবা চেরোল অমা থারকখি। চেরোল অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংগী মনুংদা বি জে পিগী লুচিংবা লাল কৃষ্ণ অদবানি, বি জে পিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জে পি নাদা, আর এস এসকী লুচিংবা মোহন ভগৱত অমদি গোৱাগী গভর্ণর সত্যা পাল মালিকসু য়াওরি।

# মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়বগী মতাংদা সিব সেনানা পুখৎলকপা ৫০-৫০গী ৱাফম বি জে পিনা য়াখিদ্রে

মুম্বাই, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়বগী মতাংদা সিব সেনানা পুখৎলকপা ৫০-৫০গী ৱাফম বি জে পিগী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফন্দনবিসনা য়াখিদ্রে।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, চহী ২.৫ বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগা অতোপ্পা চহী ২.৫ অমা সিব সেনাদা ফম অসি পায়হনগী ৱাফম য়ান্নবা পুরকখিবা লৈতে। চহী ৫মক মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুখিগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাওটনা হায়খিবনি মদুদি দেবেন্দ্র ফদনবিসনা করিগুম্বা চহী ৫ চুপ্পা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়বা তারবদি চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা সিব সেনানা শৌগৎপগী ৱাফম অমুক হন্না খন্ননিংঙাই ওই। মমাঙ চায়োলদা পাঙথোকখিবা মহারাষ্ট্র এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট ১০৫ ফংখিবদা সিব সেনানা সিট ৫৬ ফঙখিবনি। পার্টি অনী পুনশিল্লগা লৈঙাক পায়বা য়াবগী সিট মশিং য়ৌরবসু বি জে পি মথন্তনা লৈঙাক পায়বা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা সিব সেনানা চহী ২.৫ বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগা অতোপ্পা চহী ২.৫না সিব সেনাগী লুচিংবা অমদা চীফ মিনিষ্টর ওইহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN
Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class X & XII(Sc. & Arts)
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Class Starting from: 25th October, 2019
Few Seats First Come First !!?
Why Delta is so Popular ?
- AC Class Rooms
- Limited Students
- Printed Study materials
- Test Series
- Mock Test
Experienced Teachers
CBSE & COHSEM
from Reputed Schools
HL-B/5750/17oct-1nov.

খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, অদুগী মতুং খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাউবা অমা পোমথোরক্লগা য়াম্না চিকপা-শাবা, মচিনসু নাইদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তাবা হেনবা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং অমদি তোলহাল লোক্কুম্বা য়াওরকপা, অদুগী মতুংদা মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অদুদা হকচাংদা য়াম্না ৱাবা, ওনীং-ওনীং লাউবা, অদুগী মতুংদা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু অমুক হঞ্জিনখিবা, অমুক পোমথোরকপা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা, মতম খরা লৈরগা অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, অহিংসু তূম্বা য়াদবা, য়াম্না চিকপনা মরম ওইদুনা, ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/5060/30 থাগৎচরিবা : I. Muhindro Singh, Kongpal

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII, KAKCHING
Ref :- Mutation Case No. 625/AS&SO/VIII-KAK of 2019
Aheibam Ajit Singh, S/o (L) Irabot Singh of Heirangoithong
...Petitioner
-Vs-
(Late) Aheibam Irabot Singh, S/o Shamu Singh of Heirangoithong
/ NOTICE
Kakching the 26th Oct., 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ৭৩ এলাং খানপোকপীগী পাট্টা নং ৭৫৭ (অনৌবা) দাগ নং ২৮ এরিয়া ২.৫০ একর তাওথবী অমসুং পাট্টা নং ৭৫৯ (অনৌবা) দাগ নং ৩০, ২/৪৮ এরিয়া ২.৫০ অমসুং ২.৫০ একর চাওবা তাওথবী লৌফমশিং অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লমশিং অসি দাংকারি ওইরিবা মচানুপানা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবিনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ৫/১১/২০১৯ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- Asstt. Survey & Settlement Officer, Manipur
HL-P/5108/27

TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
IN AID OF
L F
Regd. No. 2133/D/SR/1990(M)
TODAY
Ticket Rate ₹ 3000/-
TIME: 4:00 PM
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 600/-
HOUSEFUL:
1st
2nd
3rd
1st HOUSEFUL ₹ 3 LACS
2nd HOUSEFUL ₹ 3 LACS
3rd HOUSEFUL ₹ 3 LACS
ALL LINES: 20,000/-
DATE : 30 OCTOBER, 2019
VENUE : SINGJAMEI THONGKHONG COMMUNITY HALL
HL-P/5107/30



নাতোন ময়াদা ফুরি মকুপ-মকুপ লৈবা, নাতোন মনুংদা কংশিল্লগা চেৎ-চেৎ লাওরগা য়াম্না নাবা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নাতোন ময়াদা ফুরি মকুপ-মকুপ লৈবা, নাতোন মনুংদা কংশিল্লগা চেৎ-চেৎ লাওরগা য়াম্না নাবা, মায়-মীৎ অকোয়বদা ফুরি থোক্লগা এলর্জি তৌবা, য়াম্না হাকৎচবা, নপ মহি তোয়না তাবা, হকচাং চোকথবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, নাতোন খূৎনা পায়বা য়াদবা, য়াম্না নাবা, তূম্বা য়াদবা, শ্বর ফুনজিন্দুনা লৈবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, থবাক নাবা তৌরম্বা অদু MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469 দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.
থাগৎচরিবা : Moirangthem Jitendro, Yumnam Huidrom
HL-P/5004/30

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
XII-Sc CONDENSE REVISION COURSE HSE(COHSEM & CBSE) 2020
SUBJECT : ENGLISH+PHY+CHEM+BIO+MATHS
LAST DATE OF FORM SUBMISSION 12TH NOV. 2019
CLASS STARTS 18TH NOV. 2019
OFFER
♦ HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)
♦ 20 % FEE CONCESSION TO FIRST 20 STUDENTS
FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office,(7am to 7pm)
HL-B/5743/15/10-14nov

/ ওজা কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী অৱাবা খাঙদুনা চহী ৪ লৈরকখি। খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাং নাবা, থবাক ফুনবনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। অরোইবদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, অনাবা অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। মরম অসিনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)
থাগৎচরিবা : Ch. Herojit, Pangei Mayai Leikai
HL-P/5090/30